ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses

# হুইয়েন লানপাউ



জুন ১৩গী খামেনলোক লানফমদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা অথৌবা ৯গী মফমদা য়াইরিপোক কৈথেলদা পাঙথোকপা থৌরমদা মীয়াম্না অথৌবশিংবু ইকায়খুম্নবা উৎলদুনা হৈকৎ লৈকৎ তমখিবা

লানয়াইদা লৈরবসু লৌ উহনবা য়াহনবিয়ু : সানুলাল
☛ লামায় ২

অঙাংদি নিংথাদা খঙই
লামায় ৪

মণিপুরদা প্রসিদেন্ট’স রুল- অমত্তা ঙাইরবা পান্বেরা?
☛ লামায় ৫

বি জে পি লৈঙাক মণিপুরদা বোয়কোট তৌবা পাম্লক্লে : নুপী লূপ
☛ লামায় ৬

ইথম খুল ঙাক্লকখিবা খুঞ্জা ১১ রোম গুরখা রেজিমেন্টনা কোইশিন্দুনা থমখিবদগী মায়কৈ অদোমগী মৈরা পায়বীশিংনা কলহৌনবা থোমজিন্নরকখিবা



Vol. 47, Issue No. 92 | নোংমাইজিং, ইঙেনগী ৭নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Sunday, June 25, 2023, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.00

### য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা মণিপুরগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম পাঙথোকখ্রে

# নুমিৎ ৫৪নি শুরক্লবা মণিপুরগী লান লেপহন্নবা চপ চাবা ৱারোইশিন পুরকখিদ্রে

**ন্যু দেল্লী, জুন ২৪ (এজেন্সী) :** মমাঙ থাগী ৩দা অটসুমনা শীন্দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্ট খরদা পাঙথোকখিবা ‘ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ’ তা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়বা কুকি লমহেন-তুহেনবশিং য়াওশিনখিবদগী রেল্লি লোইরবা মতুংদা য়েলহৌ ফুরুপ মীতৈদা ওনশিন্দুনা ফুরুপ অসিগী য়ুম কয়া নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈ থাদোকপা অমসুং অউ-অউবা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎলকপদগী লাম্মৈদৌনা শন্দোরক্তুনা ঙসি নুমিৎ ৫৩নি শুরক্লবা ফাওবদা লেপত্রিবা মণিপুরগী লান লোইশিন্নবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা ন্যু দেল্লীদা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংনা শরুক য়াবা মীফম পাঙথোক্তুনা খন্ন-নৈনখ্রবসু লান অসি লেপহন্নবগী চপ চাবা ৱারোইশিন অমত্তা পুথোকখিদ্রে।

## মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর খুদক্তা শিন্দোক্কদবনি : ওক্রম ইবোবী



মীফম অসিদা কোংগ্রেসকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা খন্ননবা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফম অসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চ্যের লৌদুনা ইম্ফালদা পাঙথোকপা ওইরম্লগদি হেন্না মহয় য়ানবা মীফম অমা ওইরমগনি হায়খি।

লোয়ননা নেসনল ইস্যু অমা ওইরক্লবা মণিপুরগী ফীভম অসিনা ষ্টেট অসিগী অৱা চৈথেং মায়োক্লরিবা মীয়ামদা তশেং-তশেংবা পাউজেল অমসু পীবা ঙম্লমগনি হায়খি। অদুগা মখল অমত্তগী য়াশিন্নবা তৌদনা খূৎলায় পায়বা গ্রুপ খুদিংমক খুদক্তগী খূৎলায় থাদোকহনগদবনি হায়খি।

ওক্রম ইবোবীনা মীফম অসিদা মখা তানা

## সমাজৱাদি পার্টি অমসুং আর জে দিনা চীফ মিনিষ্টর বিরেন রিজাইন তৌনবা ৱাফম পুখৎলকখি

ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফমদা শরুক য়াখিবা মীহুৎশিংনা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনবু ফম অসিদগী রিজাইন তৌহনগদবনি হায়বা ৱাফম অমত্তা ওইনা চপ মান্ননা পুখৎলকখিদ্রবসু লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবা/মীহুৎশিংনা শরুক য়াখিবা মীফম অসিদা সমাজৱাদি পার্টি (এস পি) অমসুং রাষ্ট্রিয়া জনতা দল (আর জে দি) গী মায়কৈদগী মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন মফম লৌথোক্কদবনি হায়বা ৱাফম পুখৎলকখি।

ফোঙদোকখিবা ৱাফমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন খুদক্তা শিন্দোক্কদবনি হায়বগা লোয়ননা মণিপুরদা ওইরক্লিবা ফীভম অসিনা তঙাইফদনা থবক ঙস্বা লৈঙাক অমগী মথৌ তারকপদা মণিপুর লৈঙাক্তি ফেল ওইদুনা লৈরে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি মণিপুর লৈঙাক্লা নীংথিজনা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎহৌদবগীনি হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা মীয়ামদা অনীরক ফোঙদোকখ্রে অমসুং মীয়াম্না ঙাকপীনবসু হায়জখ্রে হায়খি।

মার্চ ১১, ২০২৩দা ত্রিপাটাইট এগ্রিমেন্ট চথনরক্লিবা সুগী মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মনুংদগী খরগা মণিপুর লৈঙাক্লা সু এগ্রিমেন্ট হন্দোক্লবা ৱারেপ লৌখি। অদুবু মণিপুর লৈঙাক্কী ৱারেপ অদু য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিনা রিজেক্ট তৌরকখি। মতম অদুদগী মণিপুরগী ফীভম শোকচিনবা হৌরকখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা মণিপুরগী য়ুনিটি অমসুং টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটি কমপ্রোমাইজ তৌবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু মীফম অসিদা ও ইবোবীনা ফোঙদোক্লদুনা মণিপুরগী অৱাবা ফীভম মায়োক্লরবা ফুরুপ পূম্নমক্কী ৱাফম পূক্লিং চঙনা তাগদবনি। মতম খুদিংমক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনা থম্লগা নেসনল হায়ৱে অনী হাংদোক্তুনা ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজশিং ফংহন্নবগী থবক সেন্টরনা লৌখৎকদবনি। অৱা চৈথেং নংলবা মীওইশিংগীদমক রিলিফ, রিহেবিলিটেসন, রিসেট্টলমেন্ট অমসুং হিংনবগী



পান্বৈশিং পন্থদনা লৌখৎকদবনি হায়রদুনা রিলিফ পেকেজ লাউথোকখিবা অদুসু মতিক চাদ্রি হায়খি।

হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা থোরক্লিবা ঈরাংনা মরম ওইরদুনা মীওই ১২০ রোমগী পুন্সি মাঙখ্রে অমসুং মীওই লিশীং ৩ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে হায়খি।

লোয়ননা ওল পার্টিগী মীফম অসিদা শরুক য়ারুরবা মতুং ন্যু দেল্লীদা লৈবা এ আই সী সীগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফমদা কোংগ্রেস লুচিংবা অসিনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা নুমিৎ ৫০নি হেল্লক্লবা মণিপুরগী ঈরাং অসিগীদমক খন্ননবা কৌখিবা মীফমদা মহাকপু এ আই সী সীনা খনবদগী শরুক য়াখিবনি। অদুবু মীফম অসিদা মহাক্লা মণিপুরদা ওইরিবা ফীভমশিং মরীক চুম্না তম্নবগী মতম য়াম্না পীখিদবা অসিমক লাইবক থীবনি হায়খি।

মতম য়াম্না পীরক্লোই হায়বা মহাকসু খঙই অদুবু শুপ্নতগী মিনট ৭/৮দগী হেন্না ৱা ঙাঙনবগী মতম পীখিদে হায়খি। লোয়ননা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা মহাক্কী ত্বিটরদা ফাওবা য়াওনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্ত্রিবা করিগীনো হায়নসু হংখি।

মণিপুর অপীকপা ষ্টেট ওইরবসু ম্যান্মারগগী মরক্তা ইন্টরনেসনল বাউন্দরি লৈরিবনি। ঐখোয়নসু ঙমখৈ অসি ঙাক্তুনা লাক্লবনি অদুবু হৌজিক মণিপুরদা নুমিৎ ৫০নি হেন্না মৈ চাক্লক্লবা ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা তূমিন্না লৈরক্লিবা করিগীনো হায়বা ৱাহংসু পাউমীশিংগী মফমদা থমখি।

নরেন্দ্র মোদি অসি অপূনবা লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনি হায়রদুনা ওক্রম ইবোবীনা ঙসিগী মীফম অসিদা শরুক য়ারবশিংগী মনুংদা হান্না চীফ মিনিষ্টর ওইরম্বা মহাক মথন্তনি হায়রবা ফাওবদা অহেনবা মতম পীবগী মহুত্তা মহাক্লা মীফমদা থমখিবশিং লেপ্পনবা খঙহল্লকখি হায়রি।

## মীফমদা শরুক য়াখিবশিং

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা চ্যের লৌদুনা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা পার্টিশিংগী মনুংদা মণিপুর অমসুং য়ুনিয়ন লৈঙাক লুচিংলিবা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট জে পি নদ্দা, কোংগ্রেস, উধব থাক্রেগী সিব সেনাগী প্রিয়াঙ্কা চতুরবেদি, ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী এম পি দেরেক ও ব্রাইন, মিজো নেসনল ফ্রন্ট (এম এন এফ), বিজু জনতা দলগী পিনাকি মিশ্রা, এ আই এ দি এম কেগী এম খম্বীদুরাই, দি এম কেগী তিরুচি সিব, আর জে দিগী মনোজ ঝা, সমাজৱাদি পার্টি অমসুং এ এ পিগী সঞ্জয় সিংহ, জে দি-য়ুগ এম পি অনিল হেগ্রেননচিংবা শরুক য়াখি। পার্টিশিংগী মীহুৎশিং অসিগী মথক্তা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিং - প্রহ্লাদ জোসি, নিত্যানন্দ রাই অমসুং অজয় কুমার মিশ্রা, য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভাল্লা, ইন্টলিজেন্স ব্যুরোগী দিরেক্টর টপন দেকাসু শরুক য়াখি।

## বি জে পিগী সম্বিট পাত্র

মীফম অসিগা মরী লৈননা বি জে পিগী নেসনল স্পোক্সপর্সন সম্বিট পাত্রনা ফোঙদোকখিবদা হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরগী ফীভম নুমিৎ খুদিংগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা খঙহল্লি। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মীতোপ চঙশিল্লকপা থিংনবগীদমক ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈ পরিংদা কিলোমিটর ১০ শাংবা শম্বল খারে। অতৈ মখা তাবা থবকশিংসু লৌখৎপা হৌরে হায়খি। ইনখৎলক্লিবা নহারোলশিংনা খূৎশু খুৎলায়শিং পুলিসতা সরেন্দর তৌরে হায়রদুনা বি জে পিগী মায়কৈদগীসু পার্টি পূম্নমক্কী মীহুৎশিংদগী সজেসনশিং লৌদুনা মণিপুরগী ফীভম লাকশিন্নবা অচুম্বা মায়কৈদা লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎকনি হায়খি।

## প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনা মণিপুরদা চৎকদবনি : কোনরাদ সংমা



ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা নেসনল পিপলস পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবসু ওইরিবা মেঘালয়াগী চীফ মিনিষ্টর কোনরাদ কে সংমানা মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি হকথেংননা খঙবগা লোয়ননা মণিপুরগী মীয়ামগী ঈং-তপ্পা পুরক্লবগীদমক আপীল তৌননবা খুদোংচাবা লৈরবদি প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টরনা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিংগা চৎমিন্নগদবনি হায়না প্রপোজ তৌখি।

লোয়ননা হৌজিকমক্কী ওইনা ইহান হান্না পায়খৎকদবা থবকশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবদি ঈরাংনা শোকহল্লবা মীওইশিংদা মতিক চানা রিলিফ মেটরিএলশিং য়ৌহনবনি হায়খি। লোয়ননা মণিপুরগী ঈরাংশিং থোকহনবদা চেন্নরিবা খূৎলায় পায়বা গ্রুপ পূম্নমক ইন্দিয়া লৈঙাক্লা অকনবা এক্সন লৌখৎতুনা মখা তানা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোকহন্দনবা লাকশিনগদবনি হায়খি।

লোয়ননা ঙসিগী মীফমদা শরুক য়ারিবা পূম্নমক্লা অমত্তা ওইনা মথৌ তাবা থবকশিং পায়খৎমিন্নদুনা মণিপুরদা অমুক হন্না লৈবাক অসিগী য়েংলদুনা তংদু লৈতাবা পুরক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়খি।

## মণিপুরদা ওল পার্টি দেলিগেসন থাগদবনি

মণিপুরদা হৌজিক ওইরিবা ফীভমগী মতাংদা খন্ননবা পাঙথোকখিবা ঙসিগী মীফমদা শরুক য়াখিবশিংগী মনুংদগী উধব থাক্রেগী রাজ্য সভাগী এম পি প্রিয়াঙ্কা চতুরবেদিনা মণিপুরগী মহৈরোয়শিংগী এদ্যুকেসনদা অকায়বা পীবগী ৱাফম য়াওনা অতোপ্পা মরু ওইবা ৱাফমশিং পুখৎলদুনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মায়কৈদগী ঈরাং লাকশিন্নবা হৌজিক ফাওবা হোৎনদে হায়না মরাল শীখি। লোয়ননা মথংগী চয়োলদা মণিপুরদা ওল পার্টি দেলিগেসন অমা থাননবা দিমান্দ তৌখি।

ওল পার্টি দেলিগেসন থাগদবনি হায়বা ৱাফম অসি ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীহুৎশিংনসু পুখৎলকখি। লোয়ননা মণিপুরদা মহৌশাগী ঈং-তপ্পা অমসুং নুংশি চান্নবা হঞ্জিন্নবা থবক পায়খৎকদবনি হায়খি।

## য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরবু কাশ্মীর ওন্থোক্লবা হোৎনরব্রা : ত্রিনামুল কোংগ্রেস



ঙসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীফমদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জীগী ওল ইন্দিয়া ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াখিবা মীহুৎকী মায়কৈদগী হোম মিনিষ্টর অমিট শাহনা মণিপুরদা চৎলুরবা মতুংদা ষ্টেট অদুগী ফীভম হেন্না শোকচিলহল্লে হায়না ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা য়ুনিয়ন লৈঙাক্লা মণিপুরবু কাশ্মীর ওন্থোক্লবা হোৎনরব্রা হায়বা ৱাহংসু হংখি। মরম অসিনা য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী অশোয়বশিং খঙদোক্তুনা খুদক্তা চুমথোক্লবা হোৎনগদবনি হায়খি। ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## কর্ফিয়ু কোমথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :** হয়েং জুন ২৫দা ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওইনা অয়ূক পুং ৫দগী নুংথিল পুং ৬ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্কনি হায়রি। অদুম ওইনমক ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ওইনা হাট্টা ক্রোসিংদগী আর দি এস ক্রোসিং, ইম্ফাল তুরেল মরীলদা শঞ্জেনথোংদগী মীনুথোং ফাওবা, মীনুথোংদগী হাট্টা ক্রোসিং অমসুং আর দি এস ক্রোসিংদগীনা শঞ্জেনথোং ফাওবগীদি কর্ফিয়ুগী অথিংবশিং কোমথোক্লোই হায়রি।

...মখা লামায় ৩ কলম ২

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা

**HL Poll**

Q : Manipurgi lan khamnaba leibak ashigi all party delegation ama Manipurda soidana tharakkani haibasi thajaba yaba wapham oigadra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes No

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu


**NGARANG GI RESULT**

Q : Ngasi Union Home Minister Amit Shahna preside touduna pangthokka daba political partysinggi meephamna Manipurda Presidents Rule thamnabagi warep lourakkadra?

Yes 0% No 100%

**অস! লোইরেহে!**

-হৌজিকপু তাঞ্জাসিদা করিগী নুপী চেল্লক্লিবনো?



- তামো! অসুম্না থোকউ তল্লম্বনি।

## মণিপুরগী লান : কে সোংলুনদা কাপ্লখ্রে, বোম পোকখায়খ্রে, মোইরাংপুরেলগী খুল ঙাকপা ১১ আর্মিনা ফাজিল্লুরে, ২ শোক্লে



ইথম মোইরাংপুরেলদা গুরখা রেজিমেন্টনা খুল ঙাকপা খুঞ্জা ১১ ফাদুনা পুননবা হোৎনরকপদগী কলহৌবদা শরুক য়াখিবী নুপীশিংগী মনুংদা জি আরনা ফূবদা শোক্লবী (ওই) অমসুং আর এ এফনা ফূবদা শোক্লবী (য়েৎ-ময়ায়)

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** মণিপুরদা চথরকপা লান ঙসিগা থানা নুমিৎ ৫৩নি শুরক্লবা ফাওবদা লেপ্তুবগা লোয়ননা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৬.৩০ রোম তারকপদা ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা কে সোংলুনগী মফম অমদা কুকি মিলিটেন্টশিংগা কাংচুপ চীংখোঙ ঙাক্লক্লিবা খুঞ্জাশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখ্রে।

থৌদোক অসি কুকি মিলিটেন্টশিংনা হান্না নোংমৈ রাউন্দ খরা কাপশিল্লম্বদগী নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ হন্নখিবনি হায়রি। অমরোমদা, ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল ইষ্টকী লম্লাই পি এসনা কোল্লিবা ইথম মোইরাংপুরেল খুলদা গুরখা রেজিমেন্টগী পর্সনেলশিংনা থি-হুম্বগী থবক চথরকপদা খুল ঙাক্লকখিবা খুঞ্জা ১১ ফারগা পুননবা হোৎনরকপদগী নুপীশিং থোমজিন্দুনা কলহৌখি। অদুম ওইনমক আর্মিগী মায়কৈদগী নোংমৈ কাপথোরকপদা খুঞ্জা অমা মখূৎ অনীমক্তা পান্দুনা শোকপদগী রাজ মেদিসিটিদা লায়কন্নখি। মহাক খক্তা নত্তনা আর্মিনা ত্রক দ্রাইভর লাইশ্রম সঞ্জয় (৪০) অপোকপা এল ইতোচা ফূরকপদগী শোক্তুনা পি ঐচ সীদা লায়কন্নখি। মহাক্কী গাড়ীগী মিংশেলসু থুগাইরকখি হায়রি।

থৌদোক অসি জি আর পর্সনেলশিংনা খুল ঙাক্লিবা খুঞ্জা ১১ ফারগা পুখিনবা হোৎনরে হায়বা তাবদগী ইথম খুল য়াওনা অকোয়বগী নুপীশিংনা কোয়শিল্লক্তুনা আর্মিশিং থিংখিবনি। অদুগা মীওইশিং অদু খুল ঙাকপা ঙাক্তনি হায়রদুনা মখোয়না শীজিন্নরম্বা ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ইনফোর্মর পুবা লৈতে, মী কনবা চৎপনি : সুসিন্দ্রো



**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :** মে ৩দগী থোরক্লিবা ঈরাংশিং লাক শিন্নবা হোৎনজরকপনি, ইনফোর্মর পুখিবা লৈতে, মী কনবা চৎপনি হায়না সী এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টর এল সুসিন্দ্রোনা ফোঙদোকখ্রে।

খুরাই সাজোর লৈকায়দা লৈবা মশাগী য়ুমদা পাঙথোকপা পাউগী মীফমদা মহাক্লা হায়, ঙরাংগী থৌদোক অদু য়াম্না লাইবক থীবনি। মীওই অনী অদু এম এল এ, কে ঐচ ইবোমচাগী এরিয়াদা থোকপা থৌদোকনিনা ঐগা পূন্না চৎমিন্নখিবনি। লন্দী থিংদুনা চঙহন্দ্রে হায়বদগী চৎলুবনি। বৃগেদিয়র সম্বি কাপুরগা ৱারী শান্নদুনা য়ান্নরগা থোরকপনি। শবুংখোক্তা নুপী অনী কুকিগী ইনফোর্মরনি হায়দুনা ফারগা লৈ তাবদগী করি তৌগদগে খন্নখিবনি। খুরাইগী মাদর এসোসিএসনগী সেক্রেটরি ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

## ঙসি ন্যু দেল্লীগী ঐচ কে এস ভবনদা মণিপুরগী পোলিটিকেল পার্টি ১০না শীন্দুনা পিছ কনভেন্সন পাঙথোক্কনি

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচ এন এস) :** থা অসিগী ১২দা মণিপুরগী বি জে পি য়াওদবা পোলিটিকেল পার্টি ১০না প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্ননবগী এপোইন্টমেন্ট পীবিনবা হায়জখ্রবসু পীরমদনা মপান লৈবাক্তা চৎথোকখিবদগী পার্টি ১০না মখোয় মখোয়গী নেসনল পার্টিগী লুচিংবশিং উন্নবদা নত্তনা ঙসি হোম মিনিষ্টরনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা ওল পার্টি মীফমদা কোংগ্রেসকী ও ইবোবী শরুক য়াখ্রবা মতুং হয়েং নুংথিল পুং ২.৩০ তারকপদা পার্টি ১০না শিন্দুনা ন্যু দেল্লীগী ঐচ কে এস ভবনদা ‘পিছ কনভেন্সন ওন মণিপুর’ পাঙথোক্কদৌরি।

মীফম অসিদা কোংগ্রেসকী ও ইবোবী, সী পি এমগী জেনরেল সেক্রেটরি সিতারাম য়েচুরি, সী পি আইগী জেনরেল সেক্রেটরি দি রাজা, কোংগ্রেসকী জয়রাম রামেস, জে দি-য়ুগী জেনরেল সেক্রেটরি অফক অহম্মদ, এ আই এফ বিগী জেনরেল সেক্রেটরি জি দেবরঞ্জন, এন সী পিগী জেনরেল সেক্রেটরি নরেন্দ্র বর্ম্মা, আর এস পিগী সেক্রেটরিএট মেম্বর আর এস ধাগর অমসুং এ এ পিগী মীহুৎশিংনা ৱা ঙাঙগনি হায়রি।

# রিমসতা লায়েংলিঙৈদা লান থোরকপদগী দিসচার্জ তৌরগা য়ূমদা হনবা য়াদদনা রিলিফ কেম্পতা ওইনা লাকখি

**হকথেংনবা পাউদম**

*কাংপোকপীগী খুঞ্জা অমা*

**ইম্ফাল, জুন ২৪ (ঐচএনএস) :** মে ৩, ২০২৩দা অটসুমনা শীন্দুনা চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা চৎখিবা ‘ত্রাইবেল সোলিদরিটি মার্চ’ লোইরবা মতুংদা খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াখিবা অফবা মখলগী নোংমৈ পায়বা মিলিটেন্টশিংগা খূৎশম্নরগা কুকি লমহেন-তুহেনবশিংনা মীতৈগী য়ুমশিংদা নোংমৈ কাপশিন্দুনা মৈ থাবা হৌগৎলকপদগী ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা চথরক্লিবা লান নংলবা মীওইশিংগা মথং-মথং ৱারী শারকপগী মখা তারকপদা ঙসিসু লাননা মরম ওইরদুনা রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌরক্লিবা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টতগী মশাগী চহী ৩৭ রোম শুরবা নহা অমনা হায়, মহাক্কী অপোকপা মপা (মমিং পঞ্জদ্রে) য়েৎ থংবা খোঙদা বোন কেন্সরনা নারকপদগী ঈরাং থোরক্কদবা থা অনী মখায়রোমগী মমাঙদগী রিমসতা এদমিট তৌদুনা লায়েংলকখি। অরুবা লায়না ওইবদগী মতম চংনা মথৌ তাবা দাইগ্নোসিস পূম্নমক তৌরবা মতুংদা লায়েংবা হৌরক্তুনা অহানবা কেমো থেরাপি পাঙথোকখি। লোয়ননা কেমো থেরাপি কাপ্লবা মতুংদা রিমসতগী দিসচার্জ তৌরকখি।

অদুবু দিসচার্জ তৌরকপা নুমিৎতুদি মে ৩দগী হৌরকখিবা লান মতুংদা ওইবনা মখোয়না লৈরক্লিবা কাংপোকপীগী য়ুমদা অমুক হন্দুনা লৈবগী খুদোংবা ফংখিদে। কাংপোকপীদা লৈরকখিবা অদুসু শেল য়াম্না পায়দুনা লৈবা নত্তে। মহাক মশানা হোটেল মচা অমা ফম্বগী মথক্তা মারুটি ভেন অমদা স্কুলগী অঙাংশিং থিন্দোক-থিঞ্জিন তৌরগা শেল তাল্লি। মহাক্কী অপোকপী মমানা হৌজিক ফাওবদা লায়কন্নরিবা অপোকপা মপাগা লোয়ননা এঞ্জাং-নাপি, মনা-মশিং চৈরক্তা তমথীরবা লান অসি থোরকপদগী য়োল্লি। অঙম-অঙম্বা থবকশিংসি তৌনদুনা হিংনবগী লানফম মায়োক্লরক্তুনা চহী খরগী মমাঙদগী কাংপোকপীদা লৈরক্লবসু মফম অদুগী লম মচেৎ অমত্তা ওইরবসু মখোয়গী মীংদা লৈবগী খুদোংচাবা লৈতবদগী লৈখিদ্রবা চীংমী অমগী অশানবা কা খরা লৌরগা ইমুং-মনুং পূন্না লৈরকখিবনি।

শেল য়াম্না থোকপা ইমুং ওইদ্রবসু অপোকপা মপানা অরুবা লায়না অমনা নারকপদগী লায়েংদবা য়াদদুনা রিমসতা পুখৎতুনা লায়েংলকখিবনি। খোঙদা নাবা অনাবা ওইবনা মরম ওইরদুনা হৌগৎ-কাংখৎপা, চৎথোক-চৎশিন তৌবা ঙমদবদগী মফম অদুদা অনাবা খক্তং থন্বসু য়াদবনিনা মহাক য়াওনা মহাক্কী লোয়নবী, মতৈমা অমসুং মমানচিংবা শিলোন-শিঞ্জিন তৌদুনা অপোকপা মপাবু লায়না অসিদগী কনবা ঙম্নবা লায়েংলকখিবনি হায়রি।

অদুবু লাইবক থীবদি লায়েংলিঙৈগী চৈরক্তা তমথীরবা লান অসি থোরকপদগী মখোয়না ৱায়দুনা লৈবা কাশিং অদুগী মপু চীংমীনা ওইবনিনা মৈ মক্তি থাদোকখিদে অদুবু ইমুংগী লৈজবা পোৎলম পূম্নমক্তি অমত্তা লৈত্রে হায়রকখি।

লোয়ননা চহী খরগী মমাঙদগী লৈরক্লবসু অশানবা কা অদুদা অমুক হন্না অশোনবা মপাবু পুথদুনা লৈবগী খুদোংচাবা ফংলক্তবদগী হৈঙাং কোন্থা মখা লৈকায় মোদেল ক্লবনা হাংলিবা রিলিফ কেম্পদা থৱায়গীদমক চঙজফম লৌননবা লাকখি। অদুবু মহাক্কী অপোকপগী মশা শোনবা অমসুং তঙাইফদনা ফমশেন্নবা য়াওদবা য়ারক্তবদগী রিলিফ কেম্পদা চঙজফম লৌরক্লিবশিংগা তোৎশিন্নদুনা লৈবদা অমুক্কসু খুদোং চারক্তবদগী রিলিফ কেম্প হাংবীরিবা ক্লবকী মীওইশিংনা থৌওইনা হৈঙাং পি ঐচ সীগী ওথোরিটিশিংদা হায়জরগা লায়েংশঙ অসিদা ঙসি ফাওবা লৈরক্লি হায়রি।

অদুবু মফম অসিদসু অনাবা মতোমতা থাদোকপা য়াদবদগী মহাক অমসুং মহাক্কী অপোকপী মমাগা লোয়ননা ফমশেন্নরি। অয়ূক অমসুং নুমিদাংগী চাকলেনশিংনা রিলিফ কেম্পদা লৈরিবশিংগী পূন্না থোংবদগী হেক হেক লৌরুরগা পীজ-পীথক তৌরি হায়রকখি।

রিমসতা অপোকপা মপা লায়েংবা লাকখিবনিনা অহেনবা ফিরোলসু অমত্তা পুরকখিদে। শেল-থুমসু অহেনবা লৈখিদে। চৈরকসিদা অহানবা কেমো থেরাপি কাপ্পা লোইরবা মতুংদা অনীশুবা কেমো থেরাপিগী দোজনা থা অসিগী ২১দা কাপ্পনবা ডাক্টরনা পাউতাক পীরকখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা কাপথোকপা ঙমদনা লৈরি। অনীশুবা দোজ অসি অমুক হন্না কাপ্পা তারগসু লায়েংবীরকখিবা ডাক্টরশিংগা হান্না পাউ ফাওনদুনা মতম লেপথোক্লদ্রবদি য়াখিরোইদৌরি হায়রি।

অরুবা লায়না লোয়নরিবা মহাক্লা য়াম্না নুংঙাইতনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অমনা য়েৎ থংবা খোঙদা নাবা অনাবা ওইবদগী চৎথোক-চৎশিন ঙমদ্রিবসি মখোঙ মরি পানবা অমসুং ইল্লগা চৎপা য়াবা চৈশু অমত্তং মহাক্কী অপোকপগীদমক লৈবীবা ঙম্লবদি মশানসু তঙাইফদবা তাঞ্জাদা হৌগৎতুনা চৎথোক-চৎশিন তৌজবা ঙমগনি। অদুবু হায়রিবা চৈশু অসি লুপা লিশীং ৪/৫ রোম পী হায়না তাই। অদুবু লৈননবগী খুদোংচাবা লৈতবদগী হৌজিক ফাওবদা লৈবীবা ঙমদ্রি হায়রকখি।

ঙসিগী ওইনা রিলিফ কেম্পদগী লৌরুবা নুমিদাংগী এঞ্জাং করিনো হংখিবদা মহাক্লা হায়, ঐখোয় মী ময়াম লৈবনিনা ঐখোয়বু নুংশিবীবশিংনা অঙম অঙম্বা তেংবাঙবীরকপদগী ময়াম কোন্ননবা হায়দুনা হৱাইনা অয়াম্বা চাই। ঙসি নুমিদাংগীসু হৱাইনি অদুবু মরক মরক্তা য়েরুম য়াওনা খরা হেন্না হাওবা এঞ্জাংশিংসু রিলিফ কেম্প চলাইবীরিবা ক্লবকী মীওইশিংনা শিনবীদুনা চাবা ফংই হায়রকখি।

ঈ-পাউগা মরী লৈনবশিংগী টেলিফোন নম্বর ০৩৮৫-২৪৪৫১০৬, এদভর্টিজমেন্টগীদমক ০৩৮৫-২৪৪০৭৭১,২৪৪৫১০৪ অমসুং রিদরস ক্যের নম্বর +৯১-(০)-৯৭৭৪৮০৩১৪৫